## পান্থোই মীশিগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চত্খ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) :

খাগেমপল্লি ঙানপ্পী থোংদগী ফাইরেনবম ওংবী পান্থোই (৩৮), মপুরোইবা চিংখৈঙানবা কৌবা অমা ঙরাং নোর্থ এ ও সীদা লৈবা রাজ মেদিসিটিদা অহুমশুবা ওইনা অঙাং নুপামচা অমা উনরবা মতুংদা লৈখিদবগী মতাংদা ঙসি ক্বাকৈথেল ঙানপ্পী থোংদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

সোসল ৱেলফেয়র ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবা লৈখিদ্রবীগী মচে অমনা ফোঙদোরকপদা, মহাক্কী মনাওনুপী পান্থোইগী মীশি অসি ডোক্তরনা চেকশিন্দবদগী শিখিবনি। মহাক্কী মশাদা হান্না অনাবা অমত্তা লৈখিদে। মরম অদুনা চেন্নরিবা ডোক্তর অসি মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি লোয়ননা মাগী লাইসেন্স ফাওবা ককদবনি। লৈখিদ্রবীনা হুন্দাক্লন্থা পীক্লিবা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিন তম্বা অমদি চাওদ্রিবা ফাওবগী অচঙবশিং পুন্নমক চেন্নরিবা ডোক্তর অমদি রাজ মেদিসিটিনা পুগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## GAS NEWS

**POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT**
Booking upto : 30/06/2020
Valid from : 16/06/2020
Home delivery within 3 days
Queries : 9366184547
Time : 08:00 am to 10:00 am

**TANGLEI GAS OINAM**
Booking upto : 01/09/2020
Valid from : 29/08/2020
***Stock : 612***
Time : 7.00am to 10.00am

**CANCHI INDANE SERVICE**
BOOKING UPTO : 31/08/2020
VALID FROM : 25/08/2020
19kg AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WIHTIN FOUR (4) DAY
KWAKEITHEL 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7085732827
FOR BOOKING CONTACT
KWAKEITHEL 7627964837 & 7627964917
NAOREM LEIKAI 9863131337
BOOKING CONTACT TIMING
09.00 to 11.00 am

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 7:00AM TO 12:00NOON
BOOKING UPTO : 06/08/2020
VALID FROM : 21/07/2020
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 8131852580, 9774722106, 9089370369
WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM 7630902992
YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM, MONGSANGEI, LANGTHABAL 6009689299
SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM 7627968997
LANGOL 7085977502
URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 7085198900/8131942156
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 9862792731, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

**MAIBIA GAS MOIRANG**
BOOKING UPTO : 13/08/2020
VALID FROM : 11/08/2020
***STOCK= 306***
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).
BOOKING CONTACT NO. 7085972248. TIMING--8 AM TO 12 NOON.

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
BOOKING DATE : 22/06/2020
Time: 11.00am to 2.00pm
Booking and Any enquiry
Contact No. 7629045883

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking upto : 01/08/2020
Valid from : 29/07/2020
Only home del.
Cont. No. 7005934398, 7629076494, 8787330040
Whatsapp No. 9366502930.
Office No. 6381538861
Enquiry No.7085557686
Timing : 7.00am to 11.00am

**KHUMBONG INDANE**
Booking upto : 19/07/2020
**Sl. No. - 850**
Only home delivery
Contact No.7005771527
Office No.9774068549
Whatsapp No. 8794973019
Time : 7.30am to 10.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking upto : 27/08/2020
Valid from : 19/07/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

## ফ্লাইটতা মীওই ৬৬০ পুরকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬৬০ রোম ঙসি ফ্লাইটতা পুদুনা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

ঙসি অহানবা ফ্লাইট ওইনা অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা (এয়র এসয়া আই ৬/৭৮৩) দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদগী মীওই ৬৩ রোম পুরকখি। অনীশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই-৪৫৭) অসিনা অয়ুক্কী পুং ১০.৩২ রোম তাবদা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৬৯ রোম পুরকখি। অহুমশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া এ আই-৭৪১) অসিনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১০ রোম তাবদা দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৩৩ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখি। মরিশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই ৮৮৯) অসিনা ঙসি নুংমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.৪৫ রোম তাবদা অগরতালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭০ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। মঙাশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই ৬৩২৩) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.০২ রোম তাবদা কোলকাতাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২৯ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখি। তরুকশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই ১০১৯) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.১০ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১০৪ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। তরেৎশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া (এ আই ৮৮৯) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ২.১০ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৯২ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখি হায়রি।

## ‘নোংমৈনা নমখিবা লৈতে’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচ এন এস) :

প্লস ফিজমনা কোভিদ-১৯ ৱর্কিং কম্মিটি খুরাই এ সীগী ভলন্টিয়র অমত্তদা নোংমৈনা নমখিবা লৈখিদে হায়না এসেমব্লী লেভেল কম্মিটি ফোর কোভিদ-১৯ খুরাই এ সীগী কোওর্দিনেটর সঞ্জেনবম অম্বানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা ওক্টোবর ৪গী নুমীদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা খুরাই পুথিবা লৈকায়দা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা অমা য়াওরকপদগী ইশামক য়াওনা লৈকায় অদুদা য়েংশিনবা চৎখি। মতম অদুদা য়ুথ স্পোর্টস য়ুনিয়ন কম লাইব্রেরীগী মীওইশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শানরিঙৈ প্লস ফিজম হায়রিবা মীওই অসি লাক্লগা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অসিবু হোম আইসোলেসন তৌননবা হায়রকপদা লৈকায়গী ক্লব অসিনা অয়াবা পীখিদে। অয়াবা পীদে হায়বগী মতাংদা ক্লবকী মীওইশিংগা প্লস ফিজমগা নিংঙাই শংদানরকখি। থৌদোক অদু শন্তাইনবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংখি। খোন খরা কন্নরক্তুনা অৱাই-অখুম তৌনরকখি।

কোভিদ-১৯ ৱর্কিং কম্মিটিগী ভলন্টিয়রশিংগা প্লস ফিজমগা ইন্থোক-ইনশিন তৌনরকপদা প্লস ফিজম লৈমায়দা তুখি। মীকুপ অদুদা মহাক্কী মশাদা য়াওরিবা লাইসেন্স গন অদু পুথোক্তুনা মখুৎতা পায়দুনা লৈখি হায়রিবা থৌদোক অদুদা প্লস ফিজমনা কোভিদ-১৯ ৱর্কিং কম্মিটি খুরাই এ সীগী ভলন্টিয়র অমত্তদা খুৎ থাখিবা লৈতে অমসুং প্লস ফিজমনা কম্মিটি অসিগী ভলন্টিয়র অমত্তদা অতম্ননা পোইন্ট ব্লেঙ্কতা নোংমৈনা নমখিবসু লৈখিদে হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ওইনাম লুখোই অমসুং এস অচৌবা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (ঐচএন এস):

বি জে পি ৱাঙ্গৈই লোংজম লৈকাই ২২/১৪ বুথ লেবেল কম্মিটিনা শীন্দুনা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ওইনাম লুখোই অমসুং মণিপুর হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চ্যেরমেন সগোলশেম অচৌববু তরাম্না ওকখ্রে।

তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চ্যেরমেন সগোলশেম অচৌবনা হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিনা হৌজিক মরক্কী মীখল পাঙথোকপা মতম নত্তে অমুক হায়, মরক্কী মীখল কিদে অমুক হায় তৌরিবা অসি ঙক্তবা ঙমদে। কোংগ্রেস পার্টিনা ইন্দিয়াদা অমুক হন্না লৈঙাক পায়বা ঙম্বগী ৱাফম লৈতে। মণিপুরদসু কোংগ্রেস পার্টি অসি নোংমা-নোংমগী শিথরক্লগনি। লাক্লিবা মরক্কী মীখল অসিদা কোংগ্রেস মীরেপ অমত্তা মায় পাকপা ঙম্লোই। বি জে পিনা চাওনা মায় পাক্তুনা পার্টি অসিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। ৱাঙ্গৈই এ সীগী মীয়াম্নসু মিনিষ্টর ও লুখোইবু মায় পাকহন্ননবা পূন্না হোৎনমিন্নরসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টর ও লুখোইনা হায়খি, হৌখিবা চহী ১৬ লোম অসি ৱাঙ্গৈই এ সীদগী মিনিষ্টর ওইবা ফংদনা ওপোজিসনদা লৈরকখি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা হৌজিক এ সী অসিদা মিনিষ্টর ফম পীবীরে। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি মপাঙ্গল কনখৎহন্ননবা অমদি মণিপুর কন্ননবা এম এল এ ফমদগী ফাওবা রিজাইন তৌখিবনি। অসিগুম্বা থৌদাং কয়া অসিবু মশক খঙবীদুনা মিনিষ্টর ফম পীরকখিবনি খল্লি। লাক্লিবা মরক্কী মীখল অসিদসু অমুক হন্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎপীরক্লগা মখা তানা মিনিষ্টর ওইহনবীয়ু। ৱাঙ্গৈই এ সীবু হীরম খূদিংমক্ত চাউখৎপা এ সী অমা ওইহন্ননবা মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নরসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## নুপী অমা পুখ্রিদা তাদুনা...

*লামায় ১গী মখা...* লৌখৎলগা ঙসি এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমদি ভিদিও কভরেজ য়াওনা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা পুলিসনা লৈখিদ্রবীগী ইমুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে। মরকসিদা, গাংমৈ গাংগিলেগী মীশিগী মতাংদা মফম অদুদা দুকান ফম্বা কোন্থৌজম রাজেন (৬০) অমদি মহাক্কী লোয়নবী কোন্থৌজম ওংবী সনাহনবী (৫৬) মখোয় অনী পাৎশোই পুলিসনা ৱাহং-পাউহংগী থবক চত্থরি হায়রি।

## এম পি পিগী ওফিস হাংদোকহনবীয়ু...

*লামায় ১গী মখা...* এনক্লোজ তৌরকখিবনা মমাঙ থাগী ১৫দা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টনা এম পি পিগী ভাইস প্রসিদেন্টনি হায়বা য়ুম্নাম ভিমদা ইরকপা চেরোলনি। চেরোল অসিদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী পাঙথোক্লগদবা বাই-ইলেক্সনশিংগী মতাংদা এম পি পিগী ৱর্কিং কম্মিটিনা মমাঙ থাগী ৫দা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না পার্টিসিগী ওফিস হাংদোকপীরে হায়রকখিবনি হায়রি।

সিনিয়র কাউন্সেলনা কোর্টতা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এদিসনল এফিদেবিটতা এনক্লোজ তৌরক্লিবা এন্নেকচর অসিগী মতুংইন্না ওফিস হাংদোকহনবীয়ু হায়জরকখিবা পিটিসন অসি ইনফ্রুকজুঅস ওইরবনা ক্লোজ তৌশিনবা য়ারে হায়খি।

নাকল অমরোমদনা সিভিল রিটি পিটিসন অসিদা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা য়াওহনবীয়ু হায়জরকখিবা মিসেলিনস কেস (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর-১১৩ ওফ ২০২০গী মায়কৈদা লেপ্লিবা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জোটেন্দ্রো অমসুং চপ মান্নবা প্রেয়রসিদা ফাইল তৌরকখিবা এম সী (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর- ১১৪ ওফ ২০২০ গী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল ৱাই নিরমোলচান্দগী মায়কৈদগীসু চপ মান্নবা ৱাফমশিং অসি কোর্টতা সবমিসন তৌখি। অদুম ওইনমক সিনিয়র কাউন্সেল অনীনা লেপ্লিবা মিসেলিনস কেস অনীবুদি মেন কেস ওইরিবা সিভিল রিট পিটিসন অসিদা য়াওজগে হায়বসিদা অয়াবা পীবীনবা হায়জখি। মসিগীদমক চুনবা ওর্দর পীবীনবসু হায়জখি।

ষ্টেটকী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট ঐচ সমরজিৎকী মায়কৈদগীসু সিভিল রিট পিটিসন অসি ইনফ্রুকজুঅস ওইরে হায়বা ৱাফম কোর্টতা ফোঙদোকখি।

কোর্টনা নাকল পুন্নমক্কী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা এম পি পিগী ওফিস হাংদোকহনবীয়ু হায়জরকখিবা পিটিসন অসি ইনফ্রুকজুঅস ওইরবনা ক্লোজ তৌরে হায়খি। অদুগা মিসেলিনস কেস অনীগী প্রেয়রশিংবুনা অয়াবা পীখি। লোয়ননা পার্টিশিংনা মখোয়গী গ্রিভান্সশিংগীদমক এপ্রোপ্রিয়েট ফোরমদা চৎননবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, এম সী (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর- ১১৩ ওফ ২০২০ অসিনা এল কৃষ্ণদাস (৭০), অপোকপা লৈখিদ্রবা এল কালি, ৱাংজিং হোদাম্বা মমাঙদা লৈবনা ফাইল তৌরকখিবনি। অদুগা এম সী (দব্লিয়ু পি-সী) নম্বর- ১১৪ ওফ ২০২০ না লাইখুরাম অপাবি (৬৩), অপোকপা এল জুগিন্দ্রো, কোংপাল খায়দেম লৈকায়দা লৈবনা ফাইল তৌরকখিবনি।

## খুৎ থোক্লবদনি হায়দুনা হাংখিবা...

*লামায় ১গী মখা...*এস সী থ্রী (ন্যু দিল্লিনা কেস নম্বর- আর সী-০৭ (এস) ২০১৮ অন্দর সেক্সন ১২১/১২১-এ/৩০৭ আই পি সী, ২৫(১-বি) আমর্স এক্ট অমসুং ১৩ য়ু এ (পি) এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। অদুগা এস টি এফ (সী বি আই), ন্যু দিল্লিনা- আর সী -দি এস টি/২০১৮/এস/০০২৪ অন্দর সেক্সন- ৩৬৪/৩০২/৩৪ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা মসিগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থরকখিবনি। অদুগা কেসসিগী ফাইনেল রিপোর্টতনা থৌদোকসিদা চেন্নরিবা পর্সনেলশিংগী মথক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী ওর্দরদগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন পীয়ু হায়বদা য়ারক্ত্রে হায়দুনা ক্লোজর রিপোর্ট ওইনা থাগৎলকখিবনি।

কেসসিদা চেন্নরিবা এক্যুইজশিংনা ১৯ রাজপুট বিকানরগী হৌজিক্না থবক্তগী পোত্থারবা মেজর গিড়িশ নায়র, মতমদুগী কেপটেন রাহুল বাল মিশ্রা, হবিল্ডার রনবীর সিংহ অমসুং মতমদুগী জৱান অভে প্রতাপ সিংহনি হায়রি। অদুবু থৌদোকসিদা চেন্নখিবা সুবেদার দালচান্দ অমসুং রোহিটাম ভর্মাদি মশা লৈখিদ্রে হায়রি। সী বি আইনা কেসসিগী ইনভেষ্টিগেসন্দা ক্লোজর রিপোর্টথাগৎলকখিবদগী থা অসিগী ১দা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টনা পীখিবা ওর্দর অমদা কেস অসিগা মরী লৈনরিবা ঈভফম, মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সতা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে। লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা মসিগী হিয়রিং পাঙথোক্নবা লেপখ্রে।

পনবা য়াবদি, লৈখিদ্রবা সনাজিৎ নুমীদাংদা খুদৈ শেৎলগা তুল্লিঙৈদা লান্মী কাঙবুসিনা ফারগা পুখিবনি হায়না মহাক্কী লোয়নবীনা মতমদুগী গৌহাতি হায়কোর্ট/ইম্ফাল বেঞ্চতা ৱাকৎলকপদগী মসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট জজ/ইম্ফাল ইষ্টনা ইনক্কারি চত্থখিবনি। ইনক্কারিসিগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা পীখিবা হায়কোর্টকী ওর্দরদগী লৈখিদ্রবগী ইমুংদা কম্পেন্সেসন ফাওবা পীখ্রবনি।

অমরোমদা, অদুঙৈ জুন ১৮, ২০০১ দা থোকখিবা মীয়ামগী ঈহৌদা শরুক য়ারুবশিংগী মরক্তগী সী আর পি এফ পর্সনেলশিংনা কাপ্পদা মীওই ১১ লৈখিদবা থৌদোক অদুগী কেসসু সী বি আইনা সুপ্রীম কোর্টকী ওর্দরদগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থখ্রবসু কোর্টতদি ক্লোজর রিপোর্ট ওইনা থাগৎলকখ্রবনি।

## মণিপুর লৈঙাক্না তুমীন্না লৈথোকফম থোক্তে...

*লামায় ১গী মখা...* মমি তারকপনি হায়না কোকোমিনা লৌগনি। চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২২ দসু কোকোমিগী মায়কৈদগী নৌহৌননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর মশাদসু হায়নখিবা ৱা ঙাক্লবা অমসুং ঐখোয়গী ফিরেপশিং য়াওবা মেমোরেন্দম অমুক হন্না পীশিন্দুনা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি। পুন্নমক অসি লৈরবা ফাওবদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা মীয়ামদা ফোঙদোক্তনা লৈরিবা অসি মণিপুর মীয়ামগী ওইনদি খুদোংথিনিংঙাই ওইরক্লে হায়না কোকোমিনা লৌই। মরম অসিনা লমদম অসিগী অপূনবগী শক্তমবু কায়হন্নিংদবা মীয়াম্না মতম অমা হেক্তদা পামদবা ফীভম ওইরক্লবদি মায়োক য়াননবা, লৈবাক কন্ননবা শেম-শাদুনা লৈমিন্নরসি হায়না কোকোমিগী মায়কৈদগী মীয়ামদা মাঙজৌননা চেকশিন ৱা থমজরি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট মবুক লুবা, তম্বা ঙমদবা ৱারেপ লৌরকপা য়াবনা ঐখোয় খূদিংমক্না খঙমিন্নগদবা ৱাফম কয়া মীয়ামদা থমজরি। ফোঙলকখিবা পাউচেশিং অসিদা পল্লিবা ৱাফমশিং মরুওইনা নাগানি হায়বা কাঙলুপ খক্তগী ওইবা অখন্নবা থৌরাংশিং মণিপুর অমদি অরুনাচল প্রদেশতা খুন্দাদুনা লৈরিবশিংগীদমক্তা য়ানবা ৱাফমদা মণিপুরগী নাগা মখৈগী ওইবা ওটোনোমস কাউন্সীল অমা শেম্বগী ৱাফম ফাইনেল দ্রাফ্ট এগ্রিমেন্ট অদুদা য়াওরে হায়না পল্লক্লিবা অসি মণিপুর মীয়াম্না শুকয়া য়াদবা ৱাফম অমখক্লি। ঐখোয়না হান্নদগী হায়দুনা লৈখ্রে মদুদি লমদম অসিদা নাগাগী লম হায়বা, কুকিগী লম হায়বা নৎত্রগা মৈতৈ অমদি মৈতৈ পাঙলগী লম হায়বা অমত্তা লৈতে। মরম অসিনা করিগুম্বা মখল অমত্তদা কাঙলুপ-ফুরুপকী মমিংদা অখন্নবা থৌরাং তৌরকপা ঐখোয়না য়ারোই। অদুবু হায়রিবা ৱাফম অসি নেসনল পেপরশিংদা ফোঙলক্লিবা পাউশিং অসিদদি য়াওরনি হায়না পল্লক্লি।

অমরোমদনা, মণিপুরদগী তোখায়বা নাগাগী মীহুৎ লোকসভাদা তোখায়না থাননবা থৌরাং তৌরি হায়না দ্রাফ্ট এগ্রিমেন্ট অদুদা য়াওই হায়রিবা অসিসু মণিপুর অসিদা কাঙলুপকী মিংদা লৈঙাক্লোন অসি শেৎতোক্লহন্নবা অমদি লম অসি মচেৎ তানা থুগায়ননবা শীনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী লাল্লোংনি হায়না ঐখোয়না লৌই। লৈবাক অমদগী মীহুৎ খনবা নৎত্রগা থাবদা কাঙলুপ অমখক্তনা ভোট পীবা অদুগা কাঙলুপ অমখক্তগী মীরেপ ওইদুনা মীহুৎ থাবা হায়বসিনা অদুমক লৈবাক অসি কাঙলুপকী মিংদা শেৎতোক্লনবা থৌরাং তৌবনি। মসিগুম্বা মখলগী থৌরাংশিং অসি মণিপুর মীয়াম্না য়ারোই হায়বা অসি হৌখিবা তাঙ্কক কয়ারক্তা ঐখোয়না পীখিবা চেরোলশিংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না কাঙলুপ-ফুরুপ নাইবা থৌশিল অমত্তা তৌরকপা য়ারোই হায়না চহী ২০ হেনবা অসি লাউদুনা লাক্লবনি।

নাকল অমরোমদনা, ঐখোয়গী ষ্টেট লৈঙাক্কী থৌদাং অসি করি ওইরিবগে, করি তৌরিবগে হায়না খল্লিবগে অমদি কমদৌনা ৱারোইশিন পুরকপদা মীয়ামগী মতেং পাংগদৌরিবগে হায়বসি নাখে শেংদবনা মীয়াম্নসু নোংম-নোংমগী থাজবা মাঙবগী চাং ৱাংখৎহনবদা ষ্টেট লৈঙাক অসিনসু মতেং পাংশিনবা ওইনা থোক্তদৌরে। চহী ২৩ চুপ্না চত্থরকখিবা পিছ টোক অসিদা কুম্জা ২০১৫ দা ফ্রেমৱার্ক ওফ এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদগী ঙসি ফাওবদা করিসু খঙদনা অমদি করিসু খঙননবা হোৎনদনা লৈথোক্লিবা করিগীনো হায়বা ৱাফম অসি ঙসিদি মীয়াম্না কন্না হংনরক্লে। ঙসি ফোঙনরকখিবা পাউচেশিংদা য়াওরিবা ‘ফাইনেল দ্রাফ্ট এগ্রিমেন্ট অসি নুমীৎ ১০ নিগী মমাঙদা লোইনদুনা লৈখ্রে, এন এস সী এন-আই এম য়াওরসু য়াওদ্রসু তৌরনি’ হায়না ফোঙলক্লিবা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইবা তারবদি ঐখোয়গী ষ্টেট লৈঙাক অসি লৈতবগা পাঙ্খক ওইরে হায়না লৌগনি অমদি মসিদা মমিংতগী ওইনা লৈবাক লৈঙাক ওইরবদি লৈবাক কন্ননবা মীয়াম্না ৱারেপ লৌবা তাবনি। মরমশিং অসিনা ইরৈচা খূদিংমক্তা কোকোমিনা চেকশিন ৱা থমজনিংই মদুদি ঐখোয়গী লৈবাক অসি মীয়াম্না কনবা নত্তনা অতোপ্পা লন্থী লৈরোই। মরম অসিনা করিগুম্বা মীয়াম্না য়াদে হায়খ্রবা ৱাফমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লালহৌলূপ অমখক থেম্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসি থুগায়নবা হোৎনরক্লবদি ঐখোয় অপূনবা লৈবাক কন্ননবগী লান অমা থেংননবা শেম-শামিন্নরসি হায়না আপিল তৌজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## অনী লৈখিদ্রে, লৈখিদবা মশিং ৮০...

*লামায় ১গী মখা...* ১২,৪৮৯ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১০,০১০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২৪৭৯ নি। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলকখিবগী কেস মশিংনা ৯৬০৪ য়ৌরে। ফগৎলক্লবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৭৫০৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২০৯৮ নি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ২৮০৫না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৪২৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩৭৮ নি।

লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলত্তুনা ঙসি দিসচার্জ তৌখ্রবশিং অদুনা সী এ পি এফকী ৬, হোম আইসোলেসন্দা লৈরকখিবা ১, রিমসতগী ৭, সী সী লম্ফোই খোংনাংখোংদগী ১২, সী সী সী য়ুনাক্কোদগী ৭, নোনেদগী ১৫, সদভাবনা মান্দপতগী ৩, পি আর ককচিংদগী ৭, আর দি ৱিংদগী ৯, টি কে উখুলদগী ১৭, জিরিবামদগী ১, লমদিংদগী ১১, থৌবালদগী ১৪ অমসুং জে এন ভি চান্দেলদগী ২ নি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## এম এল এ জয়কিষনগী মায়োক্তা...

*লামায় ১গী মখা...*ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চতা লিশাং শিংনা চত্থরক্লিবা পিটিসন অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক কোর্টকী দিরেক্সন্দগী হয়েং কেস অসিগী মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং চ্যেক তৌগদবনি হায়রি। হয়েংগী থবক অসিনা পিটিসন অসিগী পিটিসনর অমসুং রেস্পোন্দেন্টনা সবমিট তৌনরকখিবা দোক্যুমেন্টশিং কোনশিনগনি। অদুগা দোক্যুমেন্টশিং অদুগী মনুংদগী করম-করম্বনা কেস অসিগী ৱায়েলগীদমক লৌখৎপা য়াগনি অদুগা লৌখৎপা য়ারোইদবশিংনা করম্বনো হায়বদু খন্দোক্তুনা লেপথোক্লগনি হায়রি।

## মীয়াম্না টেষ্টিং কিটকী অৱাৎপা...

*লামায় ১গী মখা...* খূদিংগী কোভিদ-১৯গী দেটাশিং মোনিটর তৌদুনা এনালাইজ তৌরগা করি-করি ফীভম ওইহল্লকপা য়াবগে হায়বদু কুপ্না য়েংশিল্লি। মসিগীসু মথক্তা ভাইরস অসিগা মরী লৈনবা অনৌবা ইনফোর্মেসনশিং অমদি আই সী এম আর, মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যের্স অমদি দব্লিয়ু ঐচ ওগী রিভাইস প্রোটোকোলশিংসু লুম্না লৌরগা থবক পায়খৎলি। ভাইরস অসিগী মতাংদা হেন্না খঙলকপা অসিনা হৌজিক্তি মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা পীখিবা প্রোটোকোলনসু পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবা য়াহনখ্রে। পোজিটিভ ওইরবশিং হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈহনবগী থৌরাং অসি মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিং অমদি লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পায়খৎপা হৌখ্রে। মণিপুরদসু হৌজিক হৌজিক পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৬০০ লোম হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরি।

করিগুম্বা তঙাইফদবা মথৌ তারক্লবদি গভর্ণমেন্টনা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং এক্সপান্দ তৌননবা পান্দম থল্লি। হেন্না খুদোংচাহনগনি হায়রিবা হোম আইসোলেসন তৌগে হায়বশিংবুসু পূক্রিং থৌগৎকনি। লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই হোস্পিটালশিংনসু লায়ওং উৎপা কোভিদকী অনাবশিং অমদি নন-কোভিদ পেসেন্টশিং প্রোটোকোলগী মতুংইন্না লায়েংননবা অমদি অনাবশিংবু লায়েংবীয়ু য়াদবগী থৌদৌ তৌদনবসু খঙহনখ্রে। পুং ২৪ চুপ্না মথৌ তৌবা হোস্পিটালাইজেসন হেল্প লাইন নম্বর ১৮০০-১০৩-২০১৫ সু হৌজিক হৌজিক ফঙ্কসনল ওইরি। মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবা মীয়াম তীনবা মফমদা থোরকপা মতমদা ফেস মাস্ক উপ্পীয়ু, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং থম্বা অমদি তোয়না খুৎ-শা শেংনা হামদোকপীয়ু হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা আপিল তৌরক্লি।

## লম পাক চাউনা লৈজদবা মীওইশিংনা বাইওফ্লোক...

*লামায় ১গী মখা...* বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি অসি শীজিন্নদুনা ঙা য়োকপগী থবক অসি হৌরকখিবনি। থবক অসি পায়খৎনবা হোৎনবদা চঙবা মচাক-মথুম কয়াসু ইন্দোনেসিয়াদগী লৈরগা ফ্লাইটতা পুরকপনি। অহানবদা বাইওফ্লোক অসি মিটর ২গী দাইমিটররোম পাক চাউনা শেমগৎখি। বাইওফ্লোক অমা শেম-শানবা হোৎনবদা লুপা লিশিং ৩০ রোম চঙখি। শেম-শাবা লোইরবা মতুংদা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাঙ্কক ফাওবা ঙা থাদদুনা য়োক্লনবা হোৎনবদা ঙাশিং অদু শিখি। মতুং তারকপদা অখঙ-অহৈ কয়া তান্নরগা ঙা থাদবদগী থবক অসি মায় পাকপা ঙল্লকখিবনি।

লম পাক চাউনা লৈবা মীওইশিংনসু বাইওফ্লোক ফিশ ফার্মিং টেক্নোলোজি অসি শীজিন্নরগা পুখ্রি তৌদনা ঙা য়োকপা য়াগনি। বাইওফ্লোক অমা শেমগৎ-শাগৎপদা থা ৬ লোম চঙখি। হৌজিক্তি মহাক্কী বাইওফ্লোক পুন্না ৮ লৈরে। বাইওফ্লোকশিং অদু মিটর ২গী দাইমিটরদা ৪ অমসুং মিটর ৪গী দাইমিটরদা ৪নি। মিটর ৩গী দাইমিটরদা বাইওফ্লোক ৬ সু শেম-শানবা থৌরাং তৌরি। হৌজিক ফাওবদা বাইওফ্লোক অসি মপুংফানা শেমগৎনবা হোৎনবদা চাউরাক্লা লুপা লাখ ৭/৮ লোম চঙখ্রে। বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা হৌজিক হৌজিক য়োক্লিবা ঙা মখলশিং অসিনা উকাবী, তুংহনবী, ঙামু, ঙাক্রা অমদি খাবকনচিংবনি। উকাবী অমদি তুংহনবীদি হৌজিক য়োনবা ফাওবা হৌরে। উকাবীনা কেজিদা লুপা ৫০০ অমসুং তুংহনবীনা কেজিদা লুপা ২০০ দা য়োল্লি। অদুগা অতোপ্পা মখলগী ঙাশিংদি হৌজিক ফাওবা য়োনবা লৈত্রি।

লমদম অসিদা ফংলিবা মহৌশাদগী লৈরক্লবা ঙা মখলশিং য়োকখৎতুনা মরাং কায়না মীয়ামদা ফংহন্ননবা টেক্নোলোজি অসি শীজিন্নরগা হোৎনবনি। বাইওফ্লোক অচৌবা অমদা থা ৪ চঙনা ঙা য়োকপদা ঙা কিলোগ্রাম ২০০ হেন্না পুথোকপা ঙম্মী। ঙা য়োকপদা চঙখিবা শেনফম অদু ঙা য়োনবা মতমদা শেন্দোং ওইনা চাদা ৫০ রোমদি ফংবা ঙম্মী। ঙা য়োকপগী থবক অসি হৌজিকমক্কী ওইনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা তৌমিন্নরি। হীরমসিগী মতাংদা টিম অমা থমদুনা মথৌ তারকপা মতমদা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নরি। থবকশিং অসি পাঙথোকপদা মতেং ওইননবা হেল্পর অমা অনীসু লৈরে। বাইওফ্লোক টেক্নোলোজি অসি শীজিন্নদুনা ঙা মখল খূদিংমক য়োকপা য়াই। মরম অসিনা লমদমসিগী মীওই কয়ানসু হায়রিবা টেক্নোলোজি অসি শীজিন্নদুনা ঙা য়োকপগী থবক তৌহন্নিংই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, থা অসিগী ৫দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক মশাগী য়ুমদা লাক্তুনা বাইওফ্লোক ফিশ ফার্মিং টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা ঙা য়োক্লিবা অসি য়েংবীখিবগা লোয়ননা মহাক্না তৌজরিবা থবক অসিবু শকখঙবীখিবা অদুগীদমক্তসু নুংঙাইবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

---

ꯌꯨꯀꯣ ꯕꯦꯡꯛ
यूको बैंक UCO BANK
(भारत सरकार का उपक्रम / A Govt. of India Undertaking)
सम्मान आपके विश्वास का / Honours Your Trust

**Rule 8(1)**
**Possession Notice**
**FOR IMMOVABLE PROPERTY**

Whereas

The undersigned being the Authorized Officer of **UCO Bank** of India under Securitization and Reconstruction of Financial Assets and Enforcement of Security Interest Act (SARFAESI), 2002(No. 54 of 2002) and in exercise of the powers conferred under Section 13 (12) read with rule 9 of the Security Interest (Enforcement) rules, 2002, issued demand notice calling upon the borrowers/guarantors to repay the amount mentioned in the Notice within 60 days from the date of receipt of the said Notice.

The Borrowers/Guarantors having failed to repay the amount, Notice is hereby given to the borrowers/guarantors and public in general that the Authorized Officer has taken possession of the properties described herein below in exercise of powers conferred on him under Section 13 (4) of the said Act read with rule 9 of the said rules on 01.10.2020. The Borrowers/Guarantors in particular and public in general are hereby cautioned not to deal with the properties and any dealings with the properties will be subject to charge of the **UCO Bank, Thinungei Branch** for the amount and interest and charges thereon.

| Name of the Borrowers/ Guarantors & Address | Description of the Property | Date of 13(2) Notice & Amount as on the Notice |
|---|---|---|
| **Borrower**:-Ningthoujam Bimol Singh S/O N. Brajamani Singh of Ningthoukhong Kha Khunou Ward No. 4, Bishnupur District, Manipur | Homestead land (Ingkhol) measuring about 0.05 acres under Patta No. 421/D (New) 614 (Old), C.S. Dag No. 2039 (D), situated at Village No. 44-Ningthoukhong, Bishnupur registered in the name of Shri. Ningthoujam Bimol Singh and is bounded by —**North**: by the land of Ningthoujam Sohadev Singh,**South**: by the land of Thiyam Tom Singh,**East** : by the land of Ningthoujam Tomal Singh,**West**: by the land of Ksh. Sunder Singh | Notice date-02.03.2020<br>Rs. 2,61,039/- (Two Lakhs Sixty One Thousand and Thirty Nine only) |
| **Borrower**:-.Nameirakpam Tikendrajit Singh S/O (L) N. Ibocha Singh of Thinungei Awang Leikai, Bishnupur, Manipur | Homestead land (Ingkhol) measuring about 0.075 acres under Patta No. 45/131 (Old) 45/246(B) (i) (New), C.S. Dag No. 2063(B) (i), situated at Village No. 45-Thinungei, Bishnupur registered in the name of Shri. Nameirakpam Tikendrajit Singh and is bounded by — **North** : by the land of Abujam Babudhon Singh,**South:** by the land of Wahengbam Naba Singh, **East**: by the land of Nameirakpam (o) Manglembi Devi,**West:** by the Tiddim Road | Notice date-02.03.2020<br>Rs. 2,20,458/-(Two Lakhs Twenty Thousand and Four hundred and Fifty Eight) |
| **Borrower**:-Laishram Chaoba Singh S/O (L) L. Angou Singh of Thinungei Awang Leikai, Bishnupur, Manipur | Homestead land (Ingkhol) measuring about 0.45 acres under Patta No. 493,726 (New) 77 Ang (Old), C.S. Dag No. 2030/2314, situated at Village No. 45-Thinungei, Bishnupur registered in the name of Shri. Laishram Chaoba Singh and is bounded by —**North**: by the Public Ground,**South** : remaining portion of the Patta Land ,**East** : by the land of Sagatpam Okendrajit Singh,**West**: by the land of Thokchom Jugeshwar Singh | Notice date-02.03.2020<br>Rs. 10,70,003/- (Ten Lakhs Seventy Thousand and Three Only) |
| **Borrower**:-Laishram Bungcha Singh S/O L. Gulapi Singh of Thinungei Awang Leikai, Bishnupur,<br>**Guarantor**:Moirangthem Bishworjit Singh S/O (L) M. Iboyaima Singh of Thamnapokpi Mamang Awang Leikai | Homestead land (Ingkhol) measuring about 0.14 acres under Patta No. 6 (Old) 91/1250 (New), C.S. Dag No. 2097/2587, situated at Village No. 45-Thinungei, Bishnupur registered in the name of Shri. Laishram Bungcha Singh and is bounded by —**North**: by the land of Laishram Kesho Singh,**South** : by the Lane,**East** : by the land of Sapam Jadumani Singh **West**: by the Lane | Notice date-02.03.2020<br>Rs. 7,24,097/- (Seven Lakhs Twenty Four Thousand and Ninety Seven only) |
| Shri. Loitongbam Rajesh Singh S/O (L) L. Biren Singh of Thinungei Awang Leikai, Bishnupur, Manipur | Homestead land (Ingkhol) measuring about 0.3800 acres under Patta No. 569 (Old) 504 (New), C.S. Dag No. 2040, situated at Village No. 45-Thinungei, Bishnupur registered in the name of Shri. Loitongbam Rajesh Singh and is bounded by —**North** : by the land of M. Chandro Singh,**South** : by the land of N. Kumar,**East** : by the Meadow,**West** : by the Road | Notice date-02.03.2020<br>Rs.12,32,319/- (Twelve Lakhs Thirty Two Thousand Three Hundred and Nineteen) |

Date : 06.10.2020
Place : Thinungei

Sd/-
Authorised officer

HL-P/7686/8